

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, JUNE 30, 2016 PAGE 7


ঙরাং খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী ওলিম্পিক দে রন দা শরুক য়াখিবা দাইরেক্টর য়ুঠ এফিয়র এন্দ স্পোর্টসকী হরমিট সিংহ পহুজানা শান্নরোইশিংনা চেনখিবা রন য়েংখিবা (ওই) অমদি হোক্কী ষ্টেদিয়মদা অমুক হান্না লাক্তুনা য়েংশিনখিবগী মতাং অমা



# য়াম্না পুক্নিং নুংশিনিঙাই ওইবা মওংদা ওলিম্পিক দে রন পাংথোকখ্রে

## ওলিম্পিক্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফঙখিবি বোক্সর মেরিকোম্না রন লমথাখি





**এস এন এস**
**ইম্ফাল, জুন ২৯ ঃ** দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়র এন্দ স্পোর্টস অমদি মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসন (এম ও এ) না পুন্না শীল্লগা ঙসি য়াম্না পুক্নিং নুংশিনিঙাই ওইবা মওংদা ওলেম্পিক দে রন মপুং ফানা পাংথোকখ্রে।

ওলেম্পিক দে রন অসি বোক্সর ওলেম্পিক্তা ইহান-হানবা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবি এম সি মেরিকোম্না লমথাখি।

রন লমথাদ্রিঙৈগী মমাংদা য়ুঠ এফিয়র এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীওই কয়া পুক্নিং থৌগৎতুনা অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

নেসনেল গেমস কয়াদা মণিপুরগী চিফ দি মিসন ওইখিবা মশক নাইবা মীওইশিংসু ইকায় খুম্নবা উৎখি।

য়াম্না পুক্নিং নুংশিনিঙাই ওইখিবগী মরমদি য়াম্না নংনা - লাইরনা হৌরকখিবা মেরি কোম্না ওলেম্পিক দে রন অসি লমথাখিবা অসিনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়র এন্দ স্পোর্টকী দাইরেক্টর হরমিট সিংহ পাহুজা, দিপার্টমেন্ট অসিগী কম্মিস্নর ওইরিবা দিল্লিপ হব্রাইবম , মণিপুর গর্ভর্নমেন্টকী কলসলটেন্ট ওইরিবা আর কে নিমাই সিংহ অমদি এম ও এ গী ভাইস প্রসিদেন্ট জি এ ইবোপিশক শর্ম্মা শরুক য়াখি।

মণিপুরদা অহানবা ওইনা দ্রোনাচার্য্য এব্রার্দ ফঙখ্রবা বোক্সিংগী লমদা অফবা শান্নরোই কয় লেপ্তুনা পুথোক্লবা হোৎনরিবা কোচ এল ইবোমচা সিংহ অমদি অহানবা ওলেম্পিয়ান পি নিলাকমল অমদি শাংলবা চহি কয়াগী মতুংদা ইখঙ খঙহৌদনা ওলেম্পিক্তা য়াওরকপা ঙমখিবা এন জি দিঙ্কুনা রন অদু মমাং থানা চেনখি।

রন অসি নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা তোঙান তোঙানবা মশান্না কয়াগী শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েল কয়া য়াওখি।

খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদগী লমথাখিবা রন অদু মফম অসিমক্তদা লোইশিনখি।

এম ও এ গী সেক্রেটরী সুনিল এলাংবম্না মহাক্কী ব্রারোল পীখিবদা ইন্দিভিজ্যুল ইভেন্টকী ওইনদি হদক্কী রিও ওলেম্পি অসিদা অর্চরিগী ইভেন্টতা লাইশ্রম বোম্বেলা অমদি ব্রেঠ লিফটিংদা সাইখোম মিরবাই চনুনা লোইরে।

হোক্কী মশান্নদা নুপা অমদি নুপী টিম অনীমক ক্বালিফাই ওইরে। শান্নরোই মশিং কয়া য়াওগদগে হায়বদু খক্তা ঙাইরে।

রন অসিদা য়াওবা লাকখিবা মীওই পুম্নমকসু মহাক্না থাগৎপা ফোংদোকখি।

অতোপ্পা মীওই অমত্তা ঙসিগী থৌরম অদুদা ব্রা ঙাংখিদে।

য়াম্না লাইবক থিবা অমা হায়বা তারগদি রন অদুদা শরুক য়াখিবা অমদি য়াওবা লাকখিবা মীওইশিংদা ওলেম্পিক দে রন হাইনা থাবা তিসার্ত মশিং শুখিদবগী চাওনা মমি তাখি।

মতুংদা করম্বা থৌশিল তৌরগা মোর্দন ওলেম্পি দে রন অসি চাওখৎহন্নবা অমদি শান্নরোইশিং হেন্না পুথোক্লবা হোৎনবা অদু মীয়াম্না ঙাইরি।

মথংগী ওলেম্পিক্তুদি মশিং য়াম্বা শান্নরোই কয়া থোক্লকপা ঙম্বা ওইরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

# রিও ওলিম্পিক্তা মণিপুরগী হোক্কী শান্নরোই খরা য়াওরগনি

## জুলাই ১২ দা ইন্দিয়াগী টিম অনী লাউথোকপগী থৌরম পাংথোক্কনি

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, জুন ২৯ ঃ** রিও ওলিম্পিক ২০১৬ দা মণিপুরগী হোক্কী শান্নরোই খরা য়াওরবা য়াই হায়না ঙসি খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা মণিপুর পুলিস টিম অমদি মণিপুর হোক্কীগী পুন্না শেমখিবা জুনিয়র টিমগা শান্নখিবা মেটচ লোইরবা মতুংদা মণিপুর হোক্কীগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা ওলিম্পিয়ন কে এস ঐচ থোইবা সিংহ না ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তাখিবদা ইন্দিয়াগী নুপা অমদি নুপীগী টিম্না ওলিম্পিক্কী ক্বালিফাই ওইরকপা অসিগীদমক ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা গুদ ব্রিল মেটচ পাংথোক্লবা খঙহল্লপা লৈবগী মতুং ইন্না হৌখিবা থা অসিগী ২১ অমদি ২২ দা পাংথোক্কদবা মণিপুর হোক্কীগী গুদ ব্রিলগী মেটচ অদু আই এল পি গী ইশু কয়া লৈবনা মরম ওইরগা পাংথোকপা ঙমখিদবনি হায়না ফোংদোকখি।

তোঙান তোঙানবা মওংদা গুদ ক্বালিফাই ওইরক্লপগী এক্তিভিটিস কয়া পাংথোক্লরি।

মহাক্না য়াম্না থাজবা মওংদা হায়খিবদা ইন্দিয়াগী নুপাগী টিমদা খদাংবম কোথাজিৎ অমদি কাংঙুজম চিংলেনসনা য়াওরকপা য়ারি।

কে এস ঐচ থোইবা মণিপুর হোক্কী প্রসিদেন্ট ওইবতা নত্তনা হোক্কী ইন্দিয়াগী সেলেক্টর ওইরিবনি।

বুমেন টিমদা মণিপুরদগী নুপী শান্নরোই অহুম অনুরাধা, সুসিলা অমদি লিলি চনু ময়েংবম নি।

অহুম অসিগী মনুংদা অনীদি য়াওরকপা য়াবগী থাজবা লৈ হায়না ফোংদোকখি।

ইন্দিয়াগী হোক্কী টিমদা চংকদবা শান্নরোইশিং জুলাই ১২ দা দেল্লিদা লৈবা ললিৎ হোটেলদা লাউথোক্লগনি ।

থৌরম অসিদা ওলেম্পিয়ন কে ঐচ থোইবা সিংহ অমদি মণিপুর হোক্কীগী সি ই ও গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বগা পুন্না শরুক য়ামিন্নগনি।





Sushila Chanu Pukhrambam | Anuradha Devi Thokchom | Lily Chanu Mayengbam | Khadangbam Kothajit Singh | Chinglensana Singh Kangujam

# কোচ ইবোমচা খল্লক্লে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, জুন ২৯ ঃ** স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া নেতজি সুভাস নেসনেল ইন্সষ্টিটুৎট ওফ স্পোর্টস পাতিয়ালানা মণিপুরগী শক্নাইরবা বোক্সিংগী কোচ এল ইবোমচা সিংহ বু এক্সটনেল একজমিনর ওইনা খল্লে হায়না একজিক্যুটিব দাইরেক্টর (এ) সাই, এল এস , আই এন আই এস পাতিয়ালাগী কনট্রোলর ওফ একজমিনেসন ওইরিবা আই পি নাগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

একজমিনেসন অসি সাই এন এস, আই এন আই এস পাতিলাগী মীৎয়েং মখাদা প্রাক্টিকেল একজমিনেসন য়াওনা পাংথোক্কদবা অসিদা মণিপুরগী এল ইবোমচা সিংহ বোক্সিং কোচ ওইনা খল্লকখিবনি।

ইং ২০১৬-১৭ গী ওইনা পাংথোক্কদৌরিবা দিপ্লোমা কোর্স অসিদা ইন্টরভিয়্যুগী থৌরমসু য়াওগনি।

ইবোমচা হয়েং কোলকত্তদা রিপোর্ট তৌননবসু খঙহল্লকপা লৈরে।

প্রক্টিকেল একজমিনেসন্না জুলাই ১ গী অয়ুক পুং ৬ তগী ৮ ফাওবা অমদি নুংথিলগী পুং ৪ দগী ৬ ফাওবা অমা তাঙ্কক অনী থোক্না খায়দোক্কনি।

অনীশুবা নুমিৎ জুলাই ২ দা অয়ুক পুং ৬ তগী ৮ ফাওবা তাঙ্কক অমাখক পাংথোক্কনি।

ইন্টরভিয়্যুনা নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা পাংথোক্কনি হায়রি।




### In the Court of the Sub-Deputy Collector

Bashikhong, Imphal East, Manipur

*Mutation Case No. 201 SDC/B/IE/2016*

1. Khadangbam Nilakomol Singh S/o (L) Thanil Singh of Kyamgei
2. -do- Kala Meitei S/o. (L) -do- of -do-
3. -do- Birkumar Singh, S/o: (L) -do- of -do-

***- Petitioners***

***-Vrs-***

Khadangbam Thanil Singh, S/o: Gulamjat Singh of Kyamgei

***- Pattadar***

**NOTICE**

*Bashikhong, the 28th June, 2016*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুন নং ৬৮-কিয়ামগৈ পাট্টা নং ২০৫ অনৌবা দাগ নং ২২৯ মোট অরিয়ার ০.০৭৬ একর চাওবা লৌফম অসিগী পট্টাদার খাদাংবম থানিল সিংহ পীটা গুলামচাৎ সিংহ সাং কিয়ামগৈ দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পাট্টদারগী মমিংদা লৈবা লৌফম অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্ট কারীশিং অসিনা সত্তা ওইনা ফঙজরে, অমসুং নমা ওনথোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারকলে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি তাং ০৮-০৭-১৬ গী পুং ১২০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা (objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপত্তি (objection) অমতা লৌজরোই কোর্ট কী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector,**
Bashikhong Imphal East

*SL/742(B)/30*

### In the Court of the Sub-Deputy Collector

Bashikhong, Imphal East, Manipur

*Mutation Case No. 205 SDC/B/IE/2016*

1. Soram Herojit Singh S/o. Thoiba Singh of Singjamei Wangma Kshetri Leikai
2. Soram (O) Jibanlata Devi W/o. (L) S. Kumar Singh of -do-
3. S. Tondon Singh S/o. (L) S. Jullon Singh of -do-
4. S. Thoiba Singh S/o. (L) S. -do- of -do-

***- Petitioners***

***-Vrs-***

1. Kshetrimayum (N) Nongmeikapam ongbi Shakhi Devi, W/o. (L) Jugeshwor of Torban
2. Soram Jullon Singh S/o. (L) Tomba of Pukhao Ahanllup

***- Pattadar***

**NOTICE**

*Bashikhong, the 28th June, 2016*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুন নং ৫০-তোরবান পাট্টা নং ৩১৫ অনৌবা দাগ নং ২৩২ মোট অরিয়ার ০.২২ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদারশিং 1. Kshetrimayum (N) Nongmeikapam (o)Shakhi Devi, W/o. (L) Jugeshwor of Torban 2. Soram Jullon Singh S/o. (L) Tomba of Pukhao Ahanllup দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পাট্টদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্ট কারীশিং অসিনা সত্তা ওইনা ফঙজরে, অমসুং নমা ওনথোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারকলে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি তাং ৮-০৭-১৬ গী পুং ১২০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা (objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপত্তি (objection) অমতা লৌজরোই কোর্ট কী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector,**
Bashikhong Imphal East

*SL/742(A)/30*


# অহানবা খুরাইজম রামনরায়ন শাস্ত্রি মেমোরিয়েল চেছ টুর্নামেন্ট

## সোমোকান্তা অমদি নিংথেম্না পোইন্ট ১২ ফঙমিন্নরগা পুম্নমক্তগী মকোক থারি

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, জুন ২৯ঃ** মণিপুর চেছ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা জুভেনাইল ক্লব তেরা সাপম লৈরক ইম্ফালনা খুরাইজম রামনরায়ন শাস্ত্রি মেমোরিয়েল ত্রষ্টনা শীন্দুনা চথরিবা অহানবা খুরাইজম রামনরায়ন শাস্ত্রি মেমোরিয়েল ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী মরিশুবা রাউন্দ লোইশিনখ্রে।

ঐচ সোমোকান্তা অমদি ও নিংথেম্না মায়থিবা অমত্তা য়াওদনা রাউন্দ মরিমক মায় পাক্লগা পুন্না পোইন্ট ১২ ফঙমিন্নরগা মকোক থারি।

টেবল নম্বর ১ দা শান্নখিবদা ঐচ সোমোকান্তা (পোইন্ট ১২) না এ চক্রিতোম্বী (পোইন্ট ৯) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ৩ দা ও নিংথেম (পোইন্ট ১২) না এ ফোলেন (পোইন্ট ৯) মায়থিবা পীরগা সোমোকান্তগা পুন্না মকোক্তা লৈমিন্নবা ঙমখিবনি।

টেবল নম্বর ২ দা ঐচ জেকি অমদি ব্রাই প্রিতমকুমার দ্রো ওইরগা পোইন্ট ১০ ফঙমিন্নখি।

টেবল নম্বর ৪ দা এন বঙ্কিম (পোইন্ট ১০) না এল লালগৌপাল (পোইন্ট ৭) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ৫ তা কে ঐচ সঞ্জয় (পোইন্ট ৯) না এ সরত (পোইন্ট ৬) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ৬ তা এস প্রেমজিৎ (পোইন্ট ৯) না কে ঐচ ওলে (পোইন্ট ৬) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ৭ দা সেক্সপীয়র এল (পোইন্ট ৯) না বিট ইরোম (পোইন্ট ৬) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ৮ তা চিতরঞ্জন টি (পোইন্ট ৯) না সি ঐচ মহেসকুমার (পোইন্ট ৬) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ৯ দা সি ঐচ শমুবা (পোইন্ট ৯) না এন ব্রোজেন (পোইন্ট ৬) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ১০ দা এন পারি (পোইন্ট ৯) না এম মোধুসুদন (পোইন্ট ৬) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ১১ দা ঐচ মনিতোন (পোইন্ট ৯) না আর কে দত্তা (পোইন্ট ৬) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ১২ তা এন সান্তিকুমার (পোইন্ট ৯) না এস গুদচা (পোইন্ট ৬) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ১৩ দা বিজেস কে (পোইন্ট ৯) না কে জিবন (পোইন্ট ৬) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ১৪ দা কে আর এন টি ঐচ (পোইন্ট ৯) না রোনাল্ড শোইবা (পোইন্ট ৫) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ১৫ দা ই সসিকান্তা (পোইন্ট ৭) না এ সোমোরেন্দ্রো (পোইন্ট ৪) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ১৬ দা এ কিশ্বরচন্দ্র (পোইন্ট ৭) না টি ঐচ পিঙ্কি (পোইন্ট ৪) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ১৭ দা কে ঐচ মেরাজাও (পোইন্ট ৬) না কে হরিশ্যাম (পোইন্ট ৩) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ১৮ দা এন রাজেশ্বর (পোইন্ট ৬) না টি ঐচ পুনিল (পোইন্ট ৩) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ১৯ দা এম দোরেন্দ্রো (পোইন্ট ৬) না ঐচ রোজর (পোইন্ট ৩) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ২০ দা এল শ্যামকিশ্বর (পোইন্ট ৬) না এম সঞ্জয় (পোইন্ট ৩) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ২১ দা সঞ্জিৎ এম (পোইন্ট ৬) না সি ঐচ জানেশ্বর (পোইন্ট ৩) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ২২ দা এল রাজেস (পোইন্ট ৬) না রতন (পোইন্ট ৩) মায়থিবা পীখি।

টেবল নম্বর ২৩ দা এম রঞ্জন (পোইন্ট ৬) না জি এ এরোসমিট (পোইন্ট ৩) মায়থিবা পীখি।

# রেফরি সেমিনর লোইশিনখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, জুন ২৯ ঃ** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা হৌখিবা থা অসিগী ২৭ তগী মপাল কাংজৈবুংদা লৈবা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী হোলদা চথরকখিবা নুমিৎ ৩ গী ওইবা রেফরি সেমিনর ঙসি লোইশিনখ্রে।

লো ১৭ য়াওনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা পাংথোকখিবা রেফরি সেমিনর অসিদা এম জয়চন্দ্র সিংহ , এল য়াইমা সিংহ অমদি য়াদবচন্দ্র হাওবম্না লাক্কদৌরিবা লিগ অমদি টুর্নামেন্ট কয়াদা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবশিংগী মতাংদা তাকখি।